# অরানবা ৱাশেম-ৱারী তরাইবা নত্তে - ঐখোয়গী পুৱারী, নাৎ-কলচরদা শীংনদুনা লাক্লিবা থৌওংনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তাঙ্কক কয়া লৈখি, মণিপুর পুৱারীগী খোঙচৎতা। ঐখোয়গী হৌরক্লোন, পুৱারী, ইয়েক-ইরোল, খোরিরোল, নাৎ-কলচর, লাইনীং-লীচৎ, চৎন-লোনচৎতা অকনবা চৈফূ চৈথেং পীরকখিবা অৱাবা তাঙ্কক কয়া। হিন্দু লাইনীং অমদি কলচরগী শাফূ কল্লবা ঈচেলগা ইরোয়নরকখিবা ৱাশেম-ৱারী কয়ানি। ময়ামদুগী মনুংদা ঐখোয়গী লাইনীং-লীচৎ অমদি হৌরক্লোনবু মথোঙ মরম খঙহন্দবা শেমজিন শাজিনবা ৱারী কয়া পুথোরকখি। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা ঐখোয়গী য়েলহৌ লাইচৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহীবু মরিং মরাংহনখিবা মতাং খরা য়াওখি। লাইনিংথৌ নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈদা পান্দ্রিডৈ আ মমাঙদা লৈরম্বা কাংবা নিংথৌগী হাক্তক্তা সনামহী লাৎলম্বা অমদি মহাক্না থূপ্লমদাইদা লাইনিংথৌগী শক্লোন ওইবা নূঙ অমবু নোংমাইজিংগী শুরুং অমদা লোৎলম্বগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। ঐখোয়গী য়েলহৌ লাইনীংগী মরু ওইবা লাইনিংথৌগী লাইচৎলোন্দা হিন্দু লাইনীংগী ঈথিল চঙননবা হোৎনরকখিবা অরানবা ৱাশেম-ৱারী পুথোরকখি। মসিদসু নত্তে ঐখোয়গী হৌরক্লোন অমদি পুৱারীবু মমায় থৈননবা হোৎনরকখিবা কোঙ্গায়নি।

মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তা শান্তিদাস গোষাই মণিপুরদা থুংলখিবা, মহাক্না মৈদিংঙুবু ব্রেনৱাশ তৌথোক্তুনা রামান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌহনখিবা, পুয়াশিং খোমগৎলগা মৈ থাবা, সনামহী কোলু য়ৈখায়বনচিংবা মথং মথং তৌহৈদবা থৌওং কয়া চত্থরকখিবা অমুক নৌহৌরুদ্রবসু য়ারে, পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। শাথীবৈ চাংদি ককচীং অহল অহুমসু হিন্দু লাইনীংবু শীংনৈ হায়দুনা ঙবোংখাওদা নম্লগা তুরেলদা থাদদুনা হাৎখিবা মফম্মু ঙসি ফাওবা ক্বাকপা ঈরেন হায়না খূভম লেঙদনা লৈরি। মৈদিংঙু অসিগী হাক্তক্তা *লিনসু শিননবা চৈশুসু তেক্তনবা* পাম্বৈনা হিন্দু লাইনীং অমদি য়েলহৌ লাইনীং অনীগী মরক্তা থোরকখিবা মূক্নবা অদুগী ৱাহৈ ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনখিবনি হায়বা য়াই। লাইনিংথৌ সনামহীদা শীংনরুবা মতুংদনি লৈমরেন্বী অমদি মপারী লাইশক লাইওং খঙদবা লাইনা অমনা অকনবা চৈবী চৈথেং পীরকখি। অখঙ অহৈ মাইবা মাইচৌশিংগী পাউতাক মতুংইন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা লাইনিংথৌ সনামহীনচিংবগী মীতম অমদি লাইফল্লেন্নচিংবা নৌহৌননা শেমগৎখি। অদুবু লাইনিংথৌগী অশেংবা মশক্তি হোংহনখি, অনৌবা অরানবা ৱাশেম-ৱারী পুথোক্তুনা।

লাইনিংথৌগা মহাবিষ্ণুগা অমত্তনি তোঙান্দে হায়বগী শেমজিন শাজিনবা ৱাফম ***সনামহী লাইহুই, সনামহী লাইকন***নচিংবদা য়াওরি। হিন্দু লাইনীং মরূ মরা তাহৌনবা পোথীনি। মসিনসু লোইদে রামান্দি লাইনীং শন্দোক্নবা হোৎনবদা মৈদিংঙুনা লাইনিংথৌ সনামহীগী মতিক ময়াইবু থৌশাখিদ্রে। লাইনিংথৌনা মাগী মতিক ময়াই খঙহন্নবা মৈদিংঙু পামহৈবগী মীৎমাঙদা চোংথোকহল্লকখি, বিষ্ণুগী শকওং-শক্তম ওইনা - ফিগে লমশংথোনবা, ৱাহোং মতু চুড়া থেৎপা, কুশুর চীংলাই শাবনা নাপদা ঙানবা, সনা লিফাং ঙক্তা থোনবা শক্তম্নি। অসুম্না নিংথৌগী য়াথং মালেম লৈদা তাফদবনরা লাইনিংথৌনা কৌরুবনি হেক্তমক হায়জিল্লি। মরী লৈনবা মতাং অমা থমজগে- ***“ইনোংয়াই খোংনাং ময়াম্বা-ও শান্তদাস অসিবু নয়ুম ঐনা শিলেট মপূঙয়াইদগী কৌরুবনে। লাইনীং নহৌশাবু তোক্কুনো। নবেল খোইমোম লাইরেম্মনসু হোইয়াঙৈনে। নয়ু ঐগী ইরি লিতিন্নবদি নোংপোক মহাদেবনে।”*** অদুবু কাইনথংদা য়েলহৌ লাইনীং হিংগৎহনবগী অকনবা ঈহৌ লাকপগা লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহীগী অশেংবা মশকসু খঙনরকখি। পঙহায় হায়জিনবা পঙশেম শেমজিনবশিংদু ঐখোয়গী য়েলহৌ লাইচত্তা পীরকখিবা চৈথেংনি।

কয়াশুবা ক্লাসতনো হায়বদি কাউরে, মণিপুরী সবজেক্টনি হায়বসিমদি নীংশিংলি। মণিপুর থোনখিবগী মতাং অমনি। লমদম অসি ঈশিংনা পুমথুম থুমখ্রবা মহাদেবগী ত্রিশুলনা হুৎলগা চীংনুংহুত্তা ঈশিং চিংথখিদুনা কংহনখি। মদুদা হরাউবা অমদি অপেনবগা লোয়ননা আনন্তনা মণি মুক্তা চাইথরকখি। মদুদগী মণিগী লৈবাক মণিপুর হায়না মিংথোনখি। শিব লাইনীং শন্দোক্নবা শেমগৎপা ৱারীনি খল্লুদে মতমদুদা। অশেংবা ওইদ ওইরবোই খনখি। অসুম্না মণিপুর পুৱারী অমদি হৌরক্লোনসু অদুমঙায় শেমদোক্না শেমজিনগা। ঐখোয়বু মহাভারতকী পাণ্ডব অর্জুনগী চাদা নাউদা ওইহন্নবা হোৎনরকখিবনি। আর্কিওলোজিষ্টশিং লৈরমদ্রবা, ঐখোয়গী য়েলহৌ নাৎ-কলচর, ঈরোন-ঈয়েক, পুৱারীগী খোঙ্গুল লীবা অখঙ অহৈ থোরক্লমদ্রবা মণিপুর পুৱারীনা শেন্থৈ-নাপৈনরমগনিকো খল্লুবদা শ্বায় শ্বায় লাউই। মরমদি থিংবীনবা য়েৎপীনবা য়াওদ্রবা অমদি অচুম্বা অশেংবা পুথোকপীনবা লৈরমদ্রবদি অরানবা ওইদ-পাদবা ময়াম অমা অচুম্বা শাদুনা চৎনখিদৌরিবনি।

হন্দক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু মণিপুর মীয়াম্বু নিংদোল পোমহনবা মতাং অমা লৈখ্রে। মুক্না কাংজৈ মণিপুরদগী হৌরকখিবনি হায়বসি মালেম পূম্বনা য়ানখ্রবা ৱাফম্নি। অদুবু শোয়খিবনরা, এন সী ঈ আর টি, ন্যু দেল্লীগী মখাদা এস সী ঈ আর টি, ন্যু দেল্লীনা ফোঙবা টেক্সবুক্তা মিজোরামদগী হৌরকখিবনি হায়বা ৱাফম্না মীয়াম্বু খোয়রাং খোয়শাওনহনখি। অশোয়বসি শেমদোকহৌদ্রবদি মতম অমদদি অচুম্বা ওনখিদৌরিবনি। অসুম্না কুকিশিংনসু মখোয়খক্তগী খল্লগা শেমজিন শাজিনবা পুৱারী অমদি ৱারী পুথোরক্লে হায়বসি ইরায় লায়না লৌবা য়ারোই। অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবা পুৱারী পূম্নমক অসি অচৌবা শীংনবা অমনি। ঐখোয় চেকশিন্দবা য়ারোই। মতম খুদিংমক্তা কাউথোক্লোইদবা পাউরৌনি - ***চেকশিল্লগা চেকয়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফদি-ফরা শাই।*** ইমা লৈবাক মণিপুরসে ফদি-ফরা ওলহল্লগে থৌরাংবা মীগী মশীংনা পৃক পৃক শৌরে। অখঙবা খরা য়াওরবসু খঙদবা ময়াম অমদি মিত্রংগী কুম্মৈদা ইথক থক্কৎনবদৌনা উরি। ঐখোয়না ৱাখল তাহৌদ্রবা অমদি চেকশিলহৌদ্রবা *লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবা* হায়বদুমক থোকপসু য়ারি। তুংদা লাকপা ইচা-ইশুশিংনা ঐখোয়বু ফজনা ঙাঙনহৌগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈখ্রে। ঐগী ওইনদি অসুম্না লাউনীংলক্লে - ***মকোক কোক্লেন্দগী মতোন তোনলেন ফাওবদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক মীৎকপ থোক্লসি। নীনিগী চেঙয়োম চেঙজেল পুদুনা লাক্লিবা পূঙ্গিনি। হনখিবা মতমদা করিসু পুখিবা য়ারোই। হিংলিঙৈ মীৎকুপ খরসিদি অচুম্বা খরা তৌরমসি। হীমায় চুম্বীনবা য়াওদ্রবা হিগা পাংখক ওইরবা ইমা মণিপুর কল্লসি। ওইজনাম-পুজনামগী ৱাখল মরূ-মরা ফূক্তত্তুনা লংশেকখ্রসি।*** ●

# তায়নফম খঙলক্তবা

- নবকুমার ওইনা -

থবক শূনীংদবশিংনা মীনা তৌবা থবক্তা চগৎ-চগৎ ঙাঙবা য়াওনরিবনি। চেল্লিবা শগোলদা পংফূদা ফূরগা লমজেল থোইগনি হায়বসু লৈতে, হৈবা হায়বা অমা চঙলি। হৈতবনা হৈবা শাবা হায়বসি খুদোং থীনীংঙাইনি। মতৌনা য়ামদৌবা শাবা হায়বসিসু চৈরমদা থোং শাবা হায়বদুনি। ৱারকপীনবা লৈতবগী ৱা-ৱা লাউনরগা লেল্লিবা মীয়াম অমনা কনাদা তায়নরগা মতম লেনগদৌরিবনো। ৱারোইশিন অদুমক পুরক্কনি হায়বসি কমদৌনা থাজবা ঙম্নগদৌরি?

লৈঙাক্তদা তায়নরগা য়ারগদ্রা, কনাদা করি হায়গদগে, কনাদনো অৱাবসি কোকহল্লু হায়গদৌরিবসিবু। লৈঙাক্না তৌবা ঙম্বা খঙনরে, তৌদবসু খঙলে, নুংশিবীবসু খঙলে, নুংশিবীদবসু খঙলে। কনা অমত্তা লান্দে হায়রিবনি, মদুদা করি হায়রবগে? লৈঙাকসি মীয়াম্না শেমখিবনি, মীয়াম্না মীয়ামদা তায়নদৌবা নৎত্রা? চৎনবী ওইনা পংঙাঙতা ঙাঙবা তারবদি ঙাঙনবা তোকপসু নত্তে, থবক্তু লায়রি কৈদৌঙৈনো ঙাঙনবা তোক্কদৌরিবসিবো হায়বরোমদা লাকখ্রে। ঙাঙনবা তারিঙৈদা থবকপু কাউখ্রে, ইমুং খরদদি করি ৱাথোক লৈরিবগে হংনবসু য়াওখৎলক্লবনি। মী হাৎনৈ হায়বদি তাবা, হাৎনরিবদুগী মরমদি শেংনা খঙদবা, মীনা ঙাঙনবা খুদিং চুম্লবোইতা খনবা, মশাগী ৱারেপ লৌবসু ঙমদবা, হংদা হংলগসু খঙদেদা মহায়বা ময়াম্মা য়াওরিবনি। ইশাগী অশোনবা খঙজদবগী ৱাঙাঙ অসিনদি থবক মখা চত্থবা য়াগদৌবা মান্দরি হায়গনি। লাইনীংগী নমথনবী লৈরি, উশিৎনদ্রি, কাঙলূপকী ৱাখল থাদোক্লদ্রি, ৱা ঙাঙবগী অশোয়বা থিনরি। কাঙলূপকী ৱা পল্লুবগা কাঙলূপ-জাৎ খায়বনি হেক্তা হায়নবা তানরি। জাৎ খায়রিবসি জাৎ পনগনু হায়রিবশিংনা হেনবা মাল্লক্লি। মীগী মরালতা থিবা, ইথৌদি খঙদবা হায়বসিদি লৈবাক খুন্নাইগী ওইবা শাজৎ ওইনা লৌবদি য়ারক্লোই। মীনা থৌওইবিরক্তুগা পুম থিৎনা শাওবনসু থবক ওইনা করিসু তৌবা ঙম্লক্লোই। অতোন-অতাগী ৱাখলদা ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎলবসু লাই অমনা শিল্লক্কদৌবদি লৈতে হায়বা খঙবা তাবনি। মী য়ামজদবা কাঙলূপশিংদি মতম মাঙগদৌবা থবক্তা থোইনা থৱায় য়াওররোইদবনি। দ্রগ চাগেরা, লাই নীংগেরা, জগোয় শাগেরা, হকচাং শাজেল তৌরিঙৈদনি লান্না হেঞ্জিল্লক্লিবসি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদগীনি ঙাইন তকপদা ঙাখা-ঙাচিং নেৎখায়বগুম নৈহৎতুনা লাক্লবনি।

ম্যান্মারগী লুচিংবশিংনা মখোয়না তান্না-তান্নদুনা হাৎপা ঙমহৌদ্রবা চেনখ্রবা মীশিংদুদা সনা য়াথং তাওথরি, “মীগী লৈবাক্তা অকায়বা তৌবা য়ারোই, লমদমদুগী চৎনা কাঙলোন ঙাক্না লৈগদৌবনি।” অদুম লৈখ্রে। হল্লক্লগনু হায়ববু মাল্লক্লি। নোংমৈ পায়রগা কাপশিল্লক্লিবা ময়ামদু টেররিষ্ট নত্তে। লৈঙাক্না তৌবীদবদগী খুল ঙাক্লিবা নোংমৈ পায়বশিংসু টেররিষ্ট নত্তে। য়ূম ঙাকপগী ফম-ফম্নাইবসু টেররিষ্ট নত্তে, লৈঙাক পায়রিবা ফম-ফমজাও পায়রিবসু টেররিষ্ট ওইগনি হায়বা লৈতে, দিক্টেটরনি হায়নবদি তারে।

ইশামক লমদমসিগী অশেংবা ঈনি হায়বগী ৱারেপ অমা পীবা ঙম্লগদ্রা চিংনবা পোল্লবনি। আধারদি চৎনসি হায়বগী অসুম চৎনবনি, শেমজিন-শাজিনবা ময়ামসিনা খুন্নাই অমদদি চেথী ওইরক্লবনি, মীনম-চে অমনি হায়রবনি। মালেম অসিদা উরিবা নুমিৎ-থাগুম্না অচুম্বা হায়বসি মতোমতা থৌবা গাড়ী নত্তে, শেন্নবা চঙই, হায়বা চঙই, ঙাকপা চঙই, লান্থেংনবা চঙই। মদু ঙম্লক্ত্রবদি অচুম্বনি হায়বা য়ারক্ত্রে। মীতৈবু মুন্না খঙবা কনা লৈরিবগে, মীতৈ/মৈতৈ হায়বসি মুন্না খঙদে হায়বনি। নম্ফুদা অমনা চুম্বা ওইগদৌবা মান্দে। মদুমক্না মীতোপ্পা উশিত্তবা হেনগৎলকপা ওইরকপসু য়ারিবনি। মীতৈনা মীতৈ খঙদবা য়াওরবসু ফূরুপ অতৈনা মুন্না খঙবা য়াওরিবনি। মণিপুর কৌনীংবশিংনা মীতৈবু থৌওই-ৱাওইদনা উশিত্তবা মানবা অমা লৈরব্রা হায়বা মীতৈ কৌনীংবশিংনা খঙদ্রবরা হায়বা চিংনবা লৈরবনি। পূম্নমক খোমজিনগে হায়রবদি মীতৈনা মীতৈতগী ঙাঙবা তোকপা তারক্লবনি, কয়াৎ অমদা অদুমক লৈজবা ঙমগদৌরিবনি। শোয়রিবসি মসিদগী হৌই হায়বা খঙবা তঙাইফদনা চঙই। মদুমা হৈতবদগী মখোল থোক্লক্লবনি; ইন্থোক্নবা, খূৎ চানদবা, জাৎ খায়রুবগী মহয় চারক্লবনি।

হৌজিকপু খঙশিন্নদবা শারগা লৈবা য়াগদৌরিব্রা, খঙনা-খঙনা মীনম্নরগা লৈনরিব্রা? অদুগা কনফ্লিক ওইনা লৌবা য়াগদৌরিব্রা? নাকল অমদা হুম্নবা শিনবা ওইরবদি শা-লান অমা শেমগৎপা নত্তে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? শিগদৌবনা শিবা, মাঙগদৌবনা মাঙজবা, চাগদৌবনা চাখিবা অসুম চত্থরিবা অসি মঙায়, হৌজিকপু করি অমুক তৌরো হায়গদৌরিবনো? ভোট লোইখ্রবদি মথংগী ভোটকী শেল তান্দবা য়াদবনি হায়বদি ময়াম্নসু অদুম খঙনবা ৱানি। লৌরিবা শেলদু কদাইদগীনো খঙবা তাবনি, উমং-ৱামংদগী কোৎলকপদি নত্তেদনা। মীয়ামগী শেলদগী, লৈঙাক্কী শেলদগী নৎত্রবদি কদাইদগী কোৎলুগনি। মদু ঙম্নবা শেৎলগা চানবা অদুবু দেমোক্রেসি হায়বসি ওইরক্লবনি। ’দুগা সোসিএলিজম হায়বা ৱাহৈকবা শীজিন্নবা য়াওখৎলকইবনি, পার্টি ওইনফাও শেম্বা য়াওরম্লবনি, ওইখিদ্রবনি। কোক্তা য়াওদনা থবক্তা য়াওরকপা হৌনদে। থবক ওইনা য়েংবদা লোৎলিবা মিনিষ্টর, এম এল এশিংসু চুম্মী, কাপ্পরিবা ময়ামসু চুম্মী, চেল্লিবা ময়ামসু চুম্মী, শিবা-নাবা য়াওরিবসু চুম্মী, তূমিন্না লৈবসু চুম্মী, ঙাঙনরিবশিংসু চুম্মী, লৈকাই তাদ্রিবসিসু চুম্মী। উশিত্তবনি হায়গদ্র, পঙবনি হায়গদ্রা মশানা মশা খঙনদ্রবদি কনা অমত্তা অচুম্বা য়াওদে হায়গদৌরিবনি। হায়ফম লৈরক্তবগী, তায়নফম খঙলক্তবগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইগে হায়বা য়ারোই হায়বা য়াবা ৱানি, য়াদবা ৱানি খঙদনা পংঙাঙতা ঙাঙনরিবনি। মীগী ইমুংদা অওৎ-অপা শাবসি মীনি হায়রিবনি। মশাগী থবক শূগনি খঙদবা মীতোপ্পা থবক শূরগা চাউজবা, অচাউরম কাজবশিংগী লৈঙাক্তসু মীতোপ্পা ৱায়েল্লকপনি। থবক শূদবগীসু ইকায়বা ফাওনবা নৎত্রিবনি। অদুগসু কনবীদে, য়েংবীদে হায়বা অতোন-অতাগী ৱাখল থাদোকপা ঙম্নদ্রিবনি। অচুম্বা শারিবনি।

লাই লাৎপনদি য়ারোই, লাইথৈ শান্নবনসু য়ারোই, মী শেমগৎপা চঙই। অপঙবা ফারগা ভুট শান্নবগুম্না মীয়াম অমা থৈরগা পুগনি খল্লবদি অরিবা ৱাখল্লোন্নি, মতমগা চানদ্রে হায়রগনি। মদুদা থাজদুনা লৈরিবমখৈ থবক তপথখিগনি, ৱারোইশিন পুরকপা ৱাখিগনি। লান তৌনগনি হায়বা ফাওবদি খঙনরবা মাল্লি, করি-করম তৌরগা লান ঙমগনি হায়বদি খঙনদ্রিবা ওইগদৌরি। ঙাঙনদবসু য়াওবা তানদ্রি। লান তৌশিনবগী ৱাসু য়াওদ্রি, লান ঙাকপদা ৱানরি হায়বতনি। কুকিনা থেংনরিবা ফূরুপশিংগী মনুংদা মীতৈনা খ্বাইদগী শোনবা মাল্লক্লি। লোং লিভ মণিপুর হায়বদা কংলৈপাক্কী ৱা য়াওদ্রিবরা হায়বসি তাবদা নাকোং হাক্কচবা য়াওরম্বসু য়ারি। খঙনা খঙনা হংবা ঙমদবা নৎত্রগা খঙদবা ওইবসু য়ারিবনি। মসিদনি তায়নফম খঙলক্তবা হায়রিবসি। শিল্লিবনা কনানো খঙনদ্রে।

লূপ অমনা ৱারেপ অমা লৌরগা মীয়াম তুং ইল্লকউ হায়বা তোয়না তানরি। ঙমদবনা ঙমদ্রে, তৌদবনা তৌদ্রে হায়বরোমদা লৈঙাক্না লৈখ্রবদা ঙাঙবনা ঙাঙবা, ঙাঙদবনা ঙাঙদ্রবদি করি তৌগনি, থবক তৌনীংঙাই লৈতে। চেঙ-হৱাইগী ৱা খরসিনা লোইরে। করিসু হেন্না খন্থনীংঙাই লৈতে, তায়নফম খঙলক্ত্রবনি। ●

# মণিপুর তুরেলগী ঈশিং ‘হু’ ওল্লে, খোংবালদা খুন্দারিবশিং মরাইবক্তা হিংলি

-রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

ঈশিংনা থৱায়নি। মীওইবখক্তা নত্তনা থৱায় পানবা পূম্নমক ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমদে। ঈশিংদগী হেন্না মমল তাঙবা অহিংবা পোৎশক্কী চাংদম্নবা য়াবা লৈতে হায়বসে মালেম পূম্বনা য়ানৈ। মালেম অসিবু শরুক মরি থোক্লগা শরুক অহুমদি ঈশিংগী শরুক্লি। অপূনবা ঈশিংগী চাং অসি ১৪০০x১০ কিলোমিটরনি। মসিগী ৯৭.৫% দি থুমহি চেনবা ঈশিংনি। অদুগা ২.৫%না শীজিন্নবা য়াবা (ফ্রেশ ৱাটর) ঈশিং ওইরি। ঈশিংগী মরু ওইবসি শীংথাবদা লোইবা নাইদবনা চাওখৎলবা লমগী অখঙবশিংনা পুল্লদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৯৩গী মার্চ ২২দগী মালেমগী ঈশিংগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোরক্লি। মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী ওইনসু কুমজা ১৯৪৭তা ঈশিংগী থৌশিন লীংদুনা "Water is a prime natural resources, a basic human need and a precious national Asset" হায়দুনফাও ঈশিংগী থৌশিল অসিগী মচৎ ওইবা ৱারোল ওইনা থল্লি।

অমুকসু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী খুন্থোক্তুনা ঙসি ফাওবা নিংথৌরোল কয়ানা পুথরকখিবা মণিপুর অসিদা ঈশিংগী মরু ওইবা শীংথাদুনা লোইবা নাইদ্রি। মখল মথেলগী তু-খোং কয়ানা শীংলি-নাওরি ওইদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিদা খেন্নবা কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নরকই। তুরেল অমদি পাৎকী ঈশিংতনা থৱায় পানবশিং অসি হিংবা য়ারোই। ফ্রেস লেক (শীজিন্নবা য়াবা পাৎ) ‘লোক্তাক’ লৈরবসু থৱায় পানবশিংগী থৱায় ওইরিবা ঈশিং মরাং কায়হন্দবা য়াদ্রে খল্লম্বনা ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা ‘মন্ত্রিপুখ্রি’ তৌখিবনি। নিংথৌ গরিবনিৱাজগী মতমদা ‘নিংথেম পূখ্রি’ অসি তৌখিবনি। মসিদসু নত্তনা খুঙ্গং লৈকায় কয়াদা ঈশিংগীদমক পূখ্রি তৌবগী চৎনবী থল্লম্মী। কুম খুদিংগী তু-খোং শেংদোকপগী থৌরম নিংথৌ কয়ানা পাথাং-পুথাং ওইনা চৎনদুনা লাকই। মসিবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনসু মালেমগী খঙ হৈরবশিংনা খঙখিবা অদুদগী তাথবা তৌদনা ঈশিংগী মরু ওইবশিং ময়েক শেংনা খঙলম্মী হায়বা তাক্লি।

ঈশিং হায়বসি লোইবা নাইদবা মহৌশা ইমাগী খুদোলনি। ৱাফমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ঈশিংদগী কান্নবা লৌবা মীওইবনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। মরমদি ঈশিং হায়বসি পাক্লবা ঈপাক্তগী নুংশিৎ অমদি নুংশাগী মৈশানা মনিল ওইনা অহাঙবদা পুখৎলগা নোং ওইনা অমুক তারকপা, উরু-উরু উংদুনা লৈবা মহী অমনি। মসিবু লম্বী ওইনসু শীজিন্নৈ। অমুকসু মাগী শাফূনা ইলেক্ট্রিক ওন্থোক্তুনা মীওইবনা শীজিন্নৈ। মসি সাইন্সকী চাওখৎপনা ওইহনবনি। মসিগী মতুংইন্না ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুরদসু লোক্তাক পাৎতা য়ূম্ফম ওইবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট অমা কুমজা ১৯৮৩দা কম্মিসন তৌই। মসিনা ইলেক্ট্রিক মেগাৱাট্ট ১০৫ পুথোক্কনি হায়বগী পান্দম থমখি। প্রোজেক্ট অসিনা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিংদসু মৈ য়োনবগী পান্দম থমখি। লৌউ-শিংউবগী থবক্তা হান্নদগী দবল হেনগৎহনগনি



লোয়ননা লোক্তাক পাৎকা মরী লৈনবা খুঙ্গংশিংদা লেম্না মৈ ফংহনগনি হায়বা ৱাফমদা খুঙ্গংশিংবু নুংঙাইহনখি।

চহী ৩৫গী মপূন্সি ওইগনি হায়খিবা লোক্তাক প্রোজেক্ট ঙসিদি চহী ৪০ হেল্লে। পান্দম পূম্নমক ফেল ওইরে। ঈশিং পৈখৎনবা হোৎনবদা ইথাই বরাজনা মণিপুর তুরেল থিংগৎতুনা থল্লে। তুরেল অসিদি মণিপুরগী তুরেল মচা মচা পূম্নমক্কী ইতিনফম ওইরিবনি। ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, কোংবা তুরেল, নাগা তুরেল, থৌবাল, ককচীং, লোক্তাক মশাদা তারকপা ৱাইশেল মরীলসু খোর্দাক ইরিলদা পুথরক্লগা মণিপুর তুরেলদা ইতিনফম ওইরি অমসুং ইথাই বরাজ লাম্থরগা চকপীদা তাখ্রগা সমুদ্র তম্না পুথখিবনি। অদুবু নোংজগী চাং ৱাৎলবা মতমসিদা লোক্তাক প্রোজেক্টকী ঈশিং পৈখৎনবা হোৎনবদা দাম (বরাজ) থিংদুনা মতম কুইনা থম্বদগী সেকমাইজিন্দগী ইথাই ফাওবগী কিলোমিটর ২০ লোমগী মণিপুর তুরেলগী ঈশিং ফত্ত-হৌদি, অপূম-অশানা ‘হু’ ওল্লবা ঈশিং ওইহনবীরে।

মণিপুর তুরেলগী খোংবাল অসি নোংচুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফাল কন্সটিট্যুএন্সিগী শোত্থরবা মীয়াম, নোংপোক্তা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম এ সীগী পাম্বৈ লৈজদ্রবা মীয়ামনি। অদুগা খা নোংচুপ্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাঙ্গ এ সীগী নীংবা কায়হল্লবা খুঞ্জাশিংনি। ‘হু’ ওল্লবা ঈশিং অসিগী খোংবালদা মরাইবক্না তম্বা মতৌদা হিংলিবা খুঞ্জাশিংদি সেকমাইজিন, ফৌবাকচাও, কোমলাখোং, হিয়াংখোং, লফুপাৎ তেরা, অরোং হৈবোংমখোং, অৱাং খুঞ্জাও, অরোং নোংমাইখোং, খোর্দাক, হিয়াংথাং, উমাথেল, ইথাই, কুম্বী পনবা য়াই। ঈশিং মনুংদা ফত্তবা পোৎলম কয়ানা তিনশিনখিবা অমদি তোর্ব্বান্দা ঈশিংগী পাম্বীশিংনা হৌজিনখিবদগী হৌজিক্তি ইথাই বরাজ ঙাইহাক হাংলবসু ঈচেলনা ফত্তবশিং পুথবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা কুমগী নোং মরাং কায়দদনা ঈচাও অমা লাক্ত্রবদি হৌজিক্কী তমথীবা ঈশিংগী ফীভম অসি শাথীবা হেনজিল্লক্তুনা ঈশিংগী মনিল অমদি মনমনা ‘হু’ গী মশক লৌরক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম ওইরগনি। হৌজিকসু মশা শোনবা অহল কয়াগী পূন্সি তেলহন্নবা মরম ‘হু’ ওল্লবা ঈশিং অসিনা ওইরে। ‘ঈশিংনা থৱায়নি হায়বা ঈ-পাউদা তাজরে অদুবু অপুম্বা থৱায়না অশিবা বোদি শেমগদৌরিব্রা?’ ৱাহং অসি খুন্নাইশিংনা মীৎকুপ খুদিং হংনরি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা তংদু লৈতাদবা লমদম অসিগী থৌদোক অসি খুঞ্জাশিং অসিনসু চপ মান্নবা চৈথেং ফংলি। লৌউ-শিংউবা, পাৎ-তুরেলদা ঙা ফাবনা হিংবগী শিনফম ওইনা মীয়াম অসি লোক্তাক প্রোজেক্টনা নৈহৎপীবদগী মরূ-ময়াং তেক্তুনা শিরুম নারুম হিংলিবনি হায়বদা লান্দে। কোরোনাগী অৱাবসু চিত্থবা লৈতে। অপুম অশা মরক্তা হিংবা ঙম্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা মে ৫গী নোংলৈ নুংশিৎ, লেন্না মাঙ তাকহনবা লমদম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওই মীমান্ননা থুংলম্বা লৈতে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ‘হু’ ওল্লবা ঈশিংবু য়েংশিল্লবসু লৈতে। লমদম অসি তশেংনা নীংবা কায়রবা মীয়ামগী অকনবা খোল্লাও লমজিংবীনবসু লৈতবগুম তৌরি।

মণিপুর তুরেলগী তোর্ব্বান্দা খুন্দারিবশিংগী ৱাটর সপ্লাইগী খুদোংচাবদি ফংলে। অদুবু ঈশিং চিংখৎকদৌরিবদো ফত্তবা তুরেলগী ঈশিং ওইবনা মীয়াম্না চান-থক্নবদা কয়া সিক্যুরিটি ওইগদগে হায়বা চিংনবা ৱাখলনা অথাপ্পা মফমশিংদগী টেঙ্কিগী ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরি। শেন্থোকসু লৈত্রে। কুম অমগী শেল খরতসু ওন্নবা থাজবা মনা মশিংসু লেন্না পূন্না মাঙহল্লে। ঝরপ শানা হোরবা লায়রবা ইমুং কয়ানা নোং চুবগী তঙাইফদবা লৈ খঙনা খঙনা নোং নঙতা চুবীরক্কনু, ইচাগী তূম্ফম লৈজদে হায়বগী লাই খুরুমদুনা হিংনরি। মীওইবনা লাইরিক তম্বা ফংদ্রবসু হিংবদি য়াই। অফং অফংবা চাদুনা হিংবসু ঙম্মী, নোং য়ুবা য়ূমদুসু কৈরোই লৈকায়গী শাফগদবা মফম থিদুনা মতম খরগী হিংবা য়াই। অদুবু ঈশিং ফংদবা লমদমদি মীওইবা কনানা হিংবা ঙমগদগে? ঈশিংনদি নীং-মাংদা পাৎ তুরেল লৈবনা চোন্না মীৎতা উরি। অদুবু শীজিন্নবা য়াদবা ঈশিংনা পীক থল্লগা করিবু কান্নগনি? য়েলহৌমী কনবা হায়বসিদা খুন্দারিবা মীয়ামসি হেক্তা কায়দনা হিংহনবীবা চঙই। হিংবগী মমি শাল্লবা মীওইবনা তুংগী মীরোল থল্লম্বগী থৌদাং পাঙথোক্লীংগনি হায়বা থাজদে। মীখলগী মতম হেক হেক লাকপদা মীগী মমল য়াম্না তাঙনা উবীবগুম্না মীখল লৈতবা মতমদসু মীগী মমল য়ামখৎহনবীয়ু। তাবীনবা মীবু লৈরবদি ৱাকৎলুদ্রবসু থৌজালনা থোঙজিন্দা লেপ্পনি হায়বা খঙজদবা হৈজদবা মীয়ামদুদি খলহৌই। ‘লাইবক্কী নোংদমনি’ হায়বা ৱাহৈ লৈঙাক য়ৌবা মফমগী মীওইশিংগী মচিন্দগীদি তাবা ফংলোই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।